# “অহুমশুবা নুপীলান অমা ঙাইরিবরা”

ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি

**উশম ধরমেন্দ্র**



নুপীলানগী কুমওনদি চহী খুদিংগী য়ৌরকখিনি, হন্দক চহীগীসু য়ৌরক্লে দিসেম্বর ১২। তোঙান তোঙানবা লন্নাই লূপশিংনা মণিপুর অমসুং মপানগী মীতৈশিংনা তাবা মফমশিংদা নুপীলানগী থৌরম পাঙথোক্লরক্কনি। মণিপুর লৈঙাক্লসু পাঙথোরক্কনি। নুপীলানগী কুমওন থৌরম পাঙথোকফম থোকপনি। লাইওইখ্রবী ইমাশিং অদুনা মরৈবাক্কীদমক্তা তৌখিবা কথোকখিবা অদো ঙসিগী মীরোলগী মচা ওইরিবা ঐখোয়না মখোয়গী নীংশিং খুভমদা হৈ-লৈ কৎপা হায়বসি তৌফম থোকপনি। অদুগুম্বা থৌনা ফবী মণিপুরী ইমাশিং অদু লৈরম্বনা ঙসিগী মীরোল ঐখোয়না মালেমগী মাঙদা চাউথোকচরিবনি। মণিপুরগী পুৱারীদা নুপীলান অনীনি। অমনা কুমজা ১৯০৪দা ইংরেজশিংনা মৈ চাকখিবা মখোয়গী বঙ্গলোশিং শানবা হুকুম থোকখিবগী মতাংদা হৌখিবা নুপীশিংগী ঈহৌ। অনীশুবনা কুমজা ১৯৩৯দা ইংরেজশিংনা ফোংনা শৌগৎপা মারৱারি করবারৱালাশিংগী মায়োক্তা হৌরকপা মণিপুরী নুপীশিংগী ঈহৌনি। ঈহৌ অনীমক মালেমগী ইতিহাসতা অতাঙবনি। মালেমদা নুমিৎ তাবা লৈতে হায়নরিবা ইংরেজশিংগী অম্পয়রদা অমুক্তা থেংনখিদ্রিবা ঈহৌনি, লাননি মণিপুরদা মখোয়না থেংনরিবসি।

মীতৈ নুপীশিংনা (মীতৈ পাঙলসু অমত্তা ওইনা শুপচিঞ্জরে) হৌরকখিবা ঈহৌদু উবদা ইংরেজশিংদি মশানা ঙকপনা খম থেংবা তাবনি। মরমদি ম্যেনলেন্দ ইন্দিয়াগী হিন্দুশিংগী নুপীশিংদি মপুরোইবা শিবগী পোৎলোইবগী মৈরিনুংদা লংশিনগদবদগী ইংরেজশিংনা কনবীবা ইকুই কুইদ্রিঙৈগী মতমনি। মণিপুর হায়বা লমদমসিদা পংতৌ তৌশিনবা য়াদে হায়বসি ইংরেজশিংনা নৌহৌননা অহানবা অমসুং অনীশুবা নুপীলাননা পড়া তম্বীখি। মদুগী মমাঙদা কুমজা ১৮৯১দা মণিপুরগী যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎ নমদুনা ফাগনি হায়দুনা অহিংদা লাল দারুবদগী বৃটিশ ওফিসর মঙা মণিপুরগী লৈমায়দা মঙক্না মশাগা তোঙান তোঙান তাখ্রবনি। লমদমসি অচম্বা লমদম অমা নত্তে হায়বদু বৃটিশশিংগী মাইন্দ সেটতা লৈখ্রবনি। ইংরেজশিংনা ইকায়খুম্ননা থল্লম্বা মণিপুরগী মীতৈশিং ঙসি মণিপুরনা ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈবা ষ্টেট অমা ওইরবা মতুংদা করি করম্বা ফীভমদা লৈরিবগে। মণিপুরবু ইন্দিয়ানা করি করম্বা মীৎয়েংনা য়েংবীরিবগে হায়বসিগী পাউখুম পেন্নীংঙাই ওইদে। মরমদি কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈদা মরম লৈতনা লান্দাদুনা থোকহনখিবা লান ঙসিসু ৱারোইশিন লৈত্রি। কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী ঙসি ফাওবদা মীতৈ কয়া’মা মশাগী মরমদমদা লাঞ্জেন্নদুনা রিফ্যুজিগী থাক্তা হিংলি।

লোইখিগদৌরবা চহীসিগী ফেব্রুৱারী ১৩দগী লাকখিবা প্রসিদেন্টস রুলদা মণিপুর মীয়াম্না আশা কয়াসু থম্নখিবনি। মমাঙদা লৈরম্বা মণিপুরগী বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্তুনা তৌবা ঙল্লমদবা কয়া প্রসিদেন্টস রুলনা তৌরক্কনি খন্নখিবনি। মণিপুরগী মীয়াম্না মপুং ওইনা মীতৈশিংনা পাল্লিবসি কুকি টেররিষ্টশিংনা থোকহনবা লানসিগী ৱারোইশিন অমা নাখৈ শেংনা পুরকপদুনি। প্রসিদেন্টস রুলগী মমাঙদা নোংমৈ বোমগী মখোল কয়া কুকি টেররিষ্টশিংগী মায়কৈদগী থোকহল্লম্বদু থোকহল্লকখিদ্রে। সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকা য়ানবা অমা লৈরমগনি। প্রসিদেন্টস রুলসিনা হেক লাকপগা ঈং তপ্পা পুরক্লবনি হায়দুনা চীং অমসুং তমদা কুকিশিংনা, মীতৈশিংনা আইন্না য়াদবা মওংদা পায়রিবা আর্ম এন্দ এম্যুনিশনশিং সরেন্দর তৌনবা ওর্দর তৌখিবনি। তম্পাক্কী মীতৈশিংদগীদি অমত্তা চিংথদনা লৈঙাক্তা পীখৎখ্রে। কুকিশিংগী মায়কৈদগীদি মমিংতগী ওইনা পীখৎনখি। মদুদা প্রসিদেন্টস রুলগী মায়কৈদগী আইনগী ওইবা থবকশিং কুকিশিংগী মফমদা লৌখৎখিবসু করিমত্তা তাখিদে।

প্রসিদেন্টস রুলনা হেক লাকপগা মওং মানখিবা, তৌদ তৌরদবোই নীংবদি মণিপুরদা মার্চ ৮দগী ফ্রী মুভমেন্ট লৈহল্লগনি হায়দুনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা লাউথোকখিবদুনি। অদুবু মীয়াম্না নীংলম্বনা অমা তৌথোরকপনা অমা ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী হোম মিনিষ্টরগী য়াথং কাংপোকপী য়ৌরকপদা মৱা চৎখিদে। কুকি টেররিষ্টনা হুমদুনা পুবা কম্মিটি ওন ত্রাইবেল য়ুনিটি (কোটু) গী মীওইশিংনা মীতৈশিং কাংপোকপী ফাওদুনা চৎপা য়াহনখিদে। মদুদা খ্বাইদগী ঙক্লিবদি মালেমগী মিলিটরি শক্তিদা মরিশুবদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা আইনবু মখূৎতা পায়রিবা কুকিশিংদুবু তকথোকপা ঙমখিদবদুনি। ঙসিসু মীতৈশিং মখোয়গী এরিয়াদা ফাওদুনা চৎপা য়ারোই হায়দুনা চৎহন্দ্রি। কাঙলূপ অতৈদনা থিংদ্রগা মীতৈশিংতদা থিংবা মদুদা ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা করিসু তৌবা ঙমদবা অমসুং প্রসিদেন্টস রুলসিনা ঙসিসু লানগী মৈশা ফংলিবসিগী অৱাবা কোক্লবা করিসু হোৎনদবা অসিনি উরিবসি। প্রসিদেন্টস রুলগী মমাঙদা লৈরম্বা বি জে পিনা লুচিংবা ষ্টেট লৈঙাক্তুনসু লাঞ্জেন্নরিবশিংগী খুন্দা লৈতাহনবগী থবক নীংথিনা কাঙলোন চুম্না পায়খৎপীরম্বসু তৌদে। ঙসিগী প্রসিদেন্টস রুলসিনসু তৌদে, হামু-হামুনি। মশাগী হৌরকফমদা য়েলহৌমী ওইরিবা মীতৈশিং য়াম্না ৱানা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরি। রিফ্যুজিগী থাক্তা হিংলি।

ঐখোয়না নীংশিংবা য়াবদি, মণিপুরগী হান্নগী চীফ সেক্রেটরি পি কে সিংহনা আই দি পিশিং তাঙ্কক অহুম থোক্লা হায়বদি জুলাই, ওক্টোবর, দিসেম্বর ফাওবগী মনুংদা মশা-মশাগী লৌরি য়ূম্ফমদা মথংশিৎনা হঞ্জিলহনগনি হায়খিবনি। প্রসিদেন্টস রুলগী মরু ওইবা ফম পায়রিবা মীশক অমনা হায়খিবদু লৈঙাকসিনা কয়া য়াম্না পরিং চুম্না চথরিবগে হায়বসিসু নৈননীংঙাই ওইরি। মরকসিদনি কুকি টেররিষ্টশিংনা নমদুনা থোকহনখিবা লানসিনা মরম ওইদুনা কুমজা ২০২৩ অমদি ২০২৪দা লেপ্লুরবা সঙাই ফেষ্টিবেল হন্দক্কী চহীসিদা নমদুনা লৈঙাক্লা পাঙথোকখিবসি করি করম্বা বেসিসতা পাঙথোকখ্রিবনো? শান্তি লৈরে হায়দুনা লৈঙাক্লা পাঙথোকপগী ৱারেপ লৌখিবনি হায়বা তাবনি। শান্তি লৈরবদি লাঞ্জেন্নরিবশিং মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিলহনবা তাবনি। মদুদনি লাঞ্জেন্নরিবশিং অমদি মীয়াম্না ঈহৌ হৌরকখিবদু। মশাগী ফংফম থোকপা হক তাঞ্জবা লৈবাকসিগী সিটিজনশিংদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চথখিবা কা হেনবা এক্সনশিং তৌহন্নীংদে। কুকিশিংনা চথরকপা আইন কায়বা থৌওংশিংদনা করিসু তৌবা ঙমদবা, মীতৈশিংনা মশাগী হক তাঞ্জবদনা অকন-অরিং শীংবা, মসিবু করম্বা থৌওংনো। প্রসিদেন্টস রুলনা মাঙদা তারিবা আই দি পিশিং খুন্দা লৈতাহন্নবগী থবকসি নাথৈরগা সঙাই ফেষ্টিবেলনি হায়দুনা মপানগী আর্টিষ্টশিং কৌদুনা রোক কন্সর্ট তৌদুনা অহিংদা লাঙবগী ৱাহম্বোক্লা করিনো হায়নীংই।

লোইশিল্লকপদা নুপীলানগী নীংশিং কুমওনদা লাইওইখ্রবী ইমাশিংগী মগুণ শক শোল্লিবা ঐখোয়দা থৌনা ফবী ইমাশিংদুগী ঈরিক অমত্তা চেন্দ্রবরা। ইশাগী ইরমদমদা য়েলহৌমী মীতৈশিং কয়াম কুইনা লাঞ্জেন্নদুনা, তংদু লৈতাদনা হিংখিগনি। অহুমশুবা নুপীলান অমা ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা ঙাইরিবরা হায়বগী ৱাহং লাক্কনি হায়না অইবনা থমজরি। ●

# সোশল মীদিয়াদা ইরিবা পুয়াশিং

- রঞ্জিৎ নিংথৌজা -



২১শুবা চহীচা অসিদা মীওইবা কৌবা থৱায় পানবা কাঙলূপ অসিনা খ্বাইদগী মরু ওই হায়না লৌরিবা পোৎলম অমা হায়রগদি এন্দ্রোইদ মোবাইল/স্মার্ট ফোন অসিনি হায়বদা লাল্লরোই। য়াম্না য়াঙলবা মীওইবগী পূন্সি খোঙচৎ অসিদা মোবাইলনা অচৌবা মখোঙ ওইরি। শম্না হায়রবদা মোবাইলসি হৌজিক্কী মীওইবগী ইসেন্সিয়েল কম্মোদিটি ওইরিবনি। মতম য়েংবদা খুদাংদা য়েংনদ্রে মোবাইলদা য়েংনরে। অঙাং থেম্বদা অচাপোৎ লৈনদ্রে, মোবাইলনা থেম্নরে। পোৎ লৈবদা শেল শত্তোক্লদ্রে। মোবাইলদা ওইনা কাপ্নরে। মোবাইল ফোনপে নৎত্রগা জিপেদা মীঙোন্দা শেল পীবা য়াবা/ত্রাঞ্জেক্সন য়াবগুম মোবাইলনা সোশল মীদিয়াগী প্লেটফোর্ম শীজিন্নদুনা শেল তানবা য়াই। শেল করম্না তানগদগে হায়বদুদি হৌজিক্কী অঙাংশিংনা হৈনজবা মওংনি। য়ুট্যুব, ইন্সটাগ্রাম, ফেসবুক মখল মথেল অমা হেক্তা, লোইনমক পায়বসু য়াই। মশা-মশাগী একাউন্ট দিটেল রেজিষ্টর তৌরগা গুগলগী খূথাংদা শেল তানবনি। হাপকৎলিবা কন্টেন্ট অদু মীয়াম্না পাম্নবা ওইরবদি মালেম পূম্বদগী লন্নাই নৎত্রগা লৈঙাক্কী ফার্মশিংনা এদভর্টাইজ হাপ্লকই। হাপ্লিবা মখোয়দগী টেক্স গুগলনা ককই। মদুগী পর্সেন্টেজ খরা সোশল মীদিয়া অদুগী মপুদা হাপ্লকই। মসিনা ইনকম ওই।

সোশল মীদিয়া হেন্দলরশিংনা মীয়াম্না পাম্বা কন্টেক্ট (ভিদিও) শেম্বা হায়বসি মাগী ইনকম ফজহনবগী মথৌদাংনি। ভিদিও অদুবু থাক ৱাংবা নৎত্রগা নেম্বদা মরী লৈনদে। মোবাইলগী মমায়দা থোক্তুনা লৈগদবদু এত্রেক্সন পোকহনবা অমদি ভিদিওদুদা শ্বাই শ্বাই লাওবা মীনা হায়বা ঙল্লোইদবা, হায়হৈদবা নৎত্রগা উৎপা ঙল্লোইদবা উৎহৈদবা, শম্না প্রাইভেসি পূম্নমক উথোকপা ঙম্বা অসি সোশল মীদিয়াদা ইনকম ফজবা ভিদিও ওই। মীওইবগী ইকায়বা হায়বা কয়াৎ অসিমা পোকপদগী লোয়নরক্লবসু পুল্লপ লংথোকখ্রবা মীওইশিংনা সোশল মীদিয়াদা মায় পাকপা হেল্লি। পূম্নমক অসি গুগল কৌবা লাইব্রেরি অমদা তুংগী মীরোলনা খঙহৌনবা ইরিবা পুয়ানি হায়বদুদি কনানসু খন্থনদে।

লাইরিক্কী লাইব্রেরিদা পৈরিবশিংদি শেগাইখিবা নৎত্রগা মৈহৌ লাংপোক্তা মাঙখিবা য়াই। গুগল লাইব্রেরিদা ঙসি শেল খরখক ফংনবগীদমক্তা পৈশিল্লিবা পুয়া ময়াম অসিদি তুংদা করি ওইরক্কনি কনানসু খন্থনদ্রি। ইটলিগী পিসাদা, ১৫৬৪গী ফেব্রুৱারী ১৫দা পোকখিবা গেলিলিও গেলেসিনা ‘পৃথিবী অসি নুমিৎকী অকোয়বদা লৈদুনা চৎলি’ হায়রুবগী মপূন্সি চূপ্পা মীয়াৎ তাখি। মানা শিখ্রবা তুংদা মাগা মরী লৈনবা ইমুং মনুংবু মালেমগী মীয়াম্না ইকায়খুম্নে। তৌবীমল উৎলি। অশেংবা অচুম্বগীদমক শিবা ওইখিবা। মসিগী মমাঙদসু লাইপোক্লি শোন্নরিবা গ্রিককী ফিলোজোফর সোক্রেটিসনা, পৃথিবীঅসি অপাকপা নত্তে, মতুম তায় হায়রুবগীদমক মহাকপু চর্চকী মীওইশিংনা ‘হু’ পীথক্তুনা হাৎখি। শিগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা মহাক্কী অচানবা মাবু খ্বাইদগী থাজবা মাগী মহৈরোয় প্লেটোনা সেক্রেটিসতা মখোঙ কোন্দুনা হায়জখি “ওজাগী কোকসিদি মমল নাইদবনি। ওজাগী মপোকসি হান্না অমুক্তা কনখিসি। ওজাগী কোক্তি মালেম পূম্বগী লাইব্রেরিনি। ওজাগী অচুম্বদি লেঙদনা লৈহৌরগনি। লাঞ্জরে হায়বা ৱাহৈসিনা ওজাগী মপোকপুসু লেঙদনা থমগনি।”

মাগী নুংশিরবা মহৈরোয় অদুনা মাবু নুংশিদুনা হোৎনরিবা তেংথারিবদো মুন্না তাখি। নুংশিনা মথাদা কোনবীখি। হায়খি। ‘পৃথিবী মতুম তায় হায়সি লান্দে। লান্দবা ৱাফম অসিবু লাল্লি হায়জরগা ঐবু শিবা নায়দবা মীওইবা অমা ওইবা য়াগদ্রা। শুপ্নগী হিংনবখক্কীদমক্তা লাল্লি হায়রম্বনা তুংগী মীরোল কয়াদা, যুগ কয়াদা লান্না লমজিংবা ওইনা থোক্কনি। মীওইবগী মপোক হায়বসিদি ইয়াইথক্কী কোঙ্গোলগুম্বনি। তাইবঙপান্দা খঙজদবশিংনা অখঙবা অচুম্বা মীওইববু হাৎপা হায়বসি হৌনশানি। মদু খন্দ্রবদি মালেমসি করম্না খল শেম্বা য়াগনি। অমুক পোকপা অমুক শিবা নাইরিবসি মহৌশা ইমাগী খোঙচৎ অমনি। পোকপগীসু নুংঙাইবা উৎতবা, শিবগীসু ৱাবীবা লৈতবা মীওই মপোক ওইবা ঙল্লবদি নহাক শিবা নাইদবা মপোক ওইরবনি। মসিগী অমত্তা ঙায়বা খূৎলায়দি লাল্লে হায়নদনবা লান্দবা অদুগা অচুম্বা হায়বদা শেমদোক্তবা ঙম্বা অদুতনা ওইগনি।”

মথক্কী ৱাফমশিং অসি ঐখোয়না লাইব্রেরিদগী থেংনবা, ককপা য়ারোইদবা অইবা লাইরিক্কী লৌশিং অমদি পুক্কেনি। মসিনা তুংদা লাক্লিবা মীরোল কয়াদা মুৎনাইদবা থাউমৈ ওইনা লমজিংলি। অদুবু ঙসিগী ৱাচোপ ৱারেম্না দোজ হেন্না শাগৎলিবা গুগল লাইব্রেরিদা পৈশিল্লিবা পুয়াশিং অসিনা নোংমা তুংদা লাকপা মখোয় মখোয়গী মচা মশুশিংদা অকিবা পুয়া ওইহল্লক্কনি হায়বসিদি শোয়দ্রবা অমনি। মতমদুদা করপশন হায়বা ৱাহৈসিদি মাঙখিবসু য়াই। মহৈগী থাক্লা মাগী পূন্সিগী সর্ভিস পীবা ঙমদবসু য়াই। অৱাংবা থাক্লি খল্লিবা সার্টিফিকেট কয়া কান্নদবা চেজেৎ চেগুম ওইখিবসু য়াই। লৈঙাক্কী জোব ইন্টরভিয়ুদা পুথোক্লিবা বাইও দাটা অদু য়েংলগা নৎত্রগা এক্সপার্টশিংদুনা বাইও দাটাদা ইরিবা মিং অদু গুগল লাইব্রেরিদা নম্লুবা মতমদা থোরক্কনি। মপা মমাদুনা তৌখিবা পুয়া কয়া মরী মরী। মাগী মমা মপাদু লৈবাক্কী করি করি তৌখরে। করি শিনফম পায়রম্মী। চিন্না হংগদবা নত্তে, খূৎশা মঙাসিনা কি পেদতা য়াওরিবা ময়েকশিংদুদা নম্লুবখক্তনি। এ আই কৌবা হংলিঙৈ খুমগেতা হায়বদুনা লীরক্কনি - কেন্দিদেট অদুগী মপা মপুগী ৱারী। শারমচৎ চৎলম্বরা, মীরমচৎ চৎলম্বরা, লৈবাক নুংশিরম্বরা লৈবাক য়োল্লম্বরা? গুগলগী পাউখুম্না লেপকনি কেন্দিদেট অদুগী মরাইবক। মসি ঙসিগী সোশল মীদিয়াদা শেল তানবীরিবা, হয়েংগী মমা মপা ওইবিরবশিংনা মুন্না খঙবীরগা শেল তানবীবা তঙাইফদব্রা। ঙসিগী শেন্দাল লন্বীদো হয়েংগীদি পুয়া ওইহৌগনি। পুয়াদুনা ইপা-ইপুশিংবু কনবা ওইহনসি। পুয়াদুনা ইচা ইশুশিংবু চৈরাক পীবা ওইহনগুমসি। হুরানবগী ১০নি মপুগী নোংমা হায়বসিসু কাউগুমসি। হেনমল্লে হায়জবনি সোশল মীদিয়াগী ৱাথোক। লমদমসি সোশল মীদিয়া থোরকপদগী ইংথ-তপথবা কায়খিবনি হায়নরিবসি তুংগী মীরোলগী য়েংলগা চেকশিনবীরম্বা মথৌ তাদ্রিবরা?

যুগ অমগী ৱারীদা ঐখোয়না তাখি জামদগীনি মুনি অমদি প্রসেন্নজিৎ নিংথৌগী মজাইবেম্মা রেনুকা (জগোয় শাই হায়দুনা মেনকা কৌবী) মাগী মচা অতোম্বা প্রসুরামনা মপাগী য়াথংদগী মমাগী মঙক্তা শীংজংনা কক্তুনা হাৎখি। মরমদি মহেন্দ্র পর্ব্বগী নিংথৌ কর্ত্তভিরয়াগা জগোয়গী মিংদা ইন্দ্রি ৱারকপা ঙমদবগীনি। প্রসুরামদা মপাবুং জামদগীনিনা হায়খিবা “নঙনা শীজংনা কক্লিবদো নমাগী ঙকশমদা নত্তে, কা হেল্লবা মীওইবগী ইন্দ্রিদনি।” অদুবু ঙসি লমদমসিদা তারিবা মীহাৎ মীপূনগী ৱারীশিং অসিদি কোক পুবা ঙমদবগী, সনা লুপা খরা মীহৌবগী, নুপাশিংনা অনৌবা নুপী ঙাঙনবগী, নুপীশিংনা মচা মৱা লৈনা লৈনা মোবাইলদা লৈশাবী শাবগী। মসিবু এন্দ্রোইদ মোবাইলগী মরাল্লা নৎত্রগা খন্থবা হৈত্রবা মীয়ামসিনা নমদুনা ইরিবা পুয়ারা? হৌজিক্তি থৌদোক নৎত্রগা ৱাথোকসি থোকপু থোক্লবা পুয়া ওইহৌরগদনি। শা উরবদি থৈদুনা চৎলু হায়নবা লৈবগুম মোবাইল উরবদি থৈদুনা চৎলু হায়নহৌবা তাবনি। কোরোনা লোইখ্রবসু মাস্ক শীজিন্নবা মথৌ তারি। মসিনা লায়নাদগীসু, অরানবা পুয়াদগীসু কঞ্জবা ঙমগদৌরিবনি। ●

# প্রোফেস্নেল ইথিক্স ঙাক্ত্রবদি লৈঙাক অদু মনীং হল্লকপা তাবনি

- রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -

মালেমগী ওইনা চাওখৎপা হায়বা, মী ওইরিবা ঐখোয়গী থাক অদুদা লেপকদৌবা ঙাক্তনি। মীনা ফৎত্রবা, মীনা মথৌ মশক খঙদ্রবা পোলিটিক্স তৌরিবা কাঙবুগী ৱার্করদগীনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইদুনা মিনিষ্টর ওইরবসু মাগী-মাগী ফংলিবা মতম মীয়াম্না পীরিবা পৱার অদুগী প্রোফেস্নেল ইথিক্স অদু ঙাক্লা চৎপা তঙাইফদে। লৈঙাক্লা হাপ্পা থবক খুদিংমক্কী ফর্ষ্ট ক্লাস ওফিসর ওইগেরা, খ্বাইদগী পীকপা পিওন/চমপ্রাসি ওইগেরা ইথিক্স ঙাক্লা থবক তৌবা তঙাইফদে। ইন্দিয়া অমসুং মণিপুরগী মপুদি ইন্দিয়াগী মীনা ওইফম থোকই, মণিপুরগী মপুসু মণিপুরী পূম্নমক্কীনি।

তোলোপ চারিবা, ফংলিবা খুদিংমক্লা ইন্দিয়াগী অমদি মণিপুরী মীয়ামগীদমক থবক তৌবগী তভাইফদবা লৈতবা নত্তে। মিনিষ্টর খুদিংমক ইন্দিয়া মীয়ামগী থৌগল্লোইনি। মণিপুরগী ব্যুরোক্রেসি মকোক্তগীনা ওফিসকী মন্দিলাদা চৎলিবা পূম্নমক মণিপুর মীয়ামগী থৌগল্লোইনি হায়বা অসি কাউথোক্লগা লমদম অসিগী মীয়ামদা হেক হেক ওনশিন্দুনা চাবগী থবক তৌবগী চাং য়াম্না ৱাংখৎলক্লিবা অসি পূম্নমক্কী লাইবক থীবনি। মণিপুরগী করম করম্বা লোয়শঙগী শিন্মীশিংনা ঐনা-ঐনা পায়রিবা শিনফম অসি ষ্টেট অসিগী মীয়ামগীদমক্লি, মসি শুবগীদমক তোলোপ ফংলিবনি খন্দুনা ঐগী মাঙদা তাদুনা লৈরিবা থবক খুদিংমক মফম মতম চানা লোইশিনবগী হৈনবী লৈত্রিবা অসি ইন্দিয়াগী আইননা চপ চানা য়েংশিনহনবা য়াম্না থেংলবনি। মথৌ মশক খঙবা শিন্মীনা চাং ৱাংলবা মতমদা লৈবাক অসি চাওখৎকদৌরিবনি।

মসিনা মরম ওইদুনা প্রোফেস্নেল ইথিক্স অসি ঙাক্লা চৎলিবরা চৎত্রিবরা হায়দুনা য়েংশিনবসু চংই। অমরোমদা, মখোয় মখোয়দা য়েংশিল্লক্লবদি মহাক অদু থবক অদু পায়বদা মতিক চাদ্রে হায়বা তাবনি। ঙসি ঙাঙনি লাউনি অদুবু শেঞ্জা থুমজানা লোয়শঙ খুদিং ৱাই চাইগনি। চে অমা ইখৎপদা, ফাইল অমা লেঙবদা শেলনা গাড়ীগী থাও হাপ্পগুম থবক অদুগীদমক শেলনা থাও ওইরে। গাড়ী চেনবা থাওদি থা খুদিংগী ফংলিবা তোলোপ অদু ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না পীরিবনি হায়বা অসি খঙদবা নৎত্রগা খঙশিন্নদবা অমসু ষ্টেট অসিদা য়াম্না কন্না চথরক্লি। চংফম থোকপা চংবনা ৱাফম অমনি। মদু নত্তবীদা অদু পীয়ু, অদা পীয়ু হায়বা ঙমহল্লিবা অসিমক লোয়শঙ অদুবু য়েংশিল্লিবা মকোক থোংবশিংগী প্রোফেস্নেল ইথিক্স অদু ঙাক্লা চত্তবগী মমিনি হায়দবা ঙল্লোই। শম্না হায়রবদা লমচৎ শাজৎ ফজবা, চাকচা য়ুথক কায়দবা হেদ ওফ দি ফেমিলিশিংগী মচা মনাও, মাগী মওং মতৌনা অয়াম্বনা লমচৎ শাজৎ ফজৈ, ৱাঙাঙ শঙাঙ, থৌগল্লোন লৈবাক মচা তাই, চাকচা-য়ুথক চীঞ্জাক কান্বা ওইদে। ঐখোয়গী লৈবাক ইন্দিয়াগী মপু অসি মীওই ক্রোর ১৪৬ অসিগী মপূনি। তোলোপ চাবা মীনা মপুনি নত্তে, মানা মপুনি খঞ্জরবদি মাগী ৱাখল অদু মপূং ফাদ্রিবা অমগা পাঙ্খক ওইরে। মীয়াম্না খল্লগা মীহুৎ ওইরিবা লৈবাক ঙাক্লিবদু মীয়াম্না মঙোন্দা থবক শিন্নবনি। য়ুনিয়ন পব্লিক সর্ভিস কম্মিশন নৎত্রগা মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিশননচিংবনা কম্বাইন্দ এগজাম মায় পাক্লবা এক্স/ৱাই অদুনা লৈবাক অসিগী ষ্টেট কয়াদা থবক তৌবা মতমদা ফংলিবা/পীরিবা তোলোপ মীয়াম্না ইকায়খুম্নরিবা, মীয়াম/লৈবাক অসিগী পাখোল্লোইনি/থৌগল্লোইনি হায়বা লৈই অসিগী ৱাংমদা থবক তৌরক্লবদি পূম্নমক্কী লাইবক থীবনি। করিগীনো লম্বী শেন্বদগী, স্কুল ওজা ৱাৎপগী, মৈগী-ঈশিংগী, ঈথৈ-লৌখোংগী, ইরম নালাগী ৱাথোক ওইহল্লিবা পূম্নমক অসি প্রোফেস্নল ইথিক্স ঙাক্লা চত্তবগী থোরকপা ঙাক্তনি। প্রোফেস্নেল ইথিক্স ঙাকপগী মহুত্তা ফুরিৎখাও চোন্নবা, লন-থুম পৈশিন্নবা, য়ূম ৱাংনবা, গাড়ী অতাঙবা তোংনবা, ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা নুংঙাইবা মফম থিদুনা ফ্লেট লৈনবা হোৎনবদগী থোরকপা শেঞ্জা থুমজা অসিবু থাদোকপা ঙমদ্রবা মীদু মীয়ামগী মীহুৎ ওইগেরা, ব্যুরোক্রেসি ওইগেরা কৈদৌঙৈদসু মহাক অদু ফনা ফজবা ৱাহৈ ঙাঙলবসু, ফজবা ফি শেৎ-চারবসু মাগী থম্মোয় অদু শেংদোকপা ঙমদ্রিবমখৈদি চপ চাবা লৈবাক অসিগী সিটিজন অমা ওইবগী ইকায়খুম্নবগী পনখৈ ৱাংমদা লৈখ্রবনি হায়দবা ঙল্লোই।

মফম মতম চানা মীয়ামগী অপাম্বা খঙনা থবক তৌবা অমা চংই। ঈশিং চাওরগা থিঙেল কায়রবা মতমদা থিঙেল থিংবগী মহুত্তা ঈশিং চাওদ্রিঙৈ থিঙেল কায়দ্রিঙৈ মতমদা শেমজিন শাজিনবা, অশোনবা অকায়বা তুরেল তোর্ব্বান মাঙজৌননা শেমজিন শাজিলহৌবগী হৈনবী থমসি। লম্বী ফত্তবগী ওক্টোবর ১৭, ২০২৫দা ময়ায় লম্বী অথিংবা থম্মী। হায়খিবা ৱা ঙাক্তবা, পীখিবা কম্মিটমেন্ট থবক ওইনা ওন্থোকপা ঙমদবা অদুনা নম্বের ২২, ২০২৫দা অমুক ময়ায় লম্বী বন্দ তৌহন্দুনা চথোক চৎশিন তৌরিবা মীয়ামদা অৱাবা ফংলি। মসি করিদগী ওইরিবনো হায়রবদি লৈঙাক্কী থৌদাং লৈবা মীওইশিংনা ঙাঙখিবা ৱা ঙাক্তবদগী মীয়াম্না কৌবা বন্দনা মীয়ামদা অৱাবা ফংহল্লিবা পূম্নমক অসি প্রোফেস্নল ইথিক্স ঙাক্তবদগী থোকপা ঙাক্তনি। মণিপুর হীরম খুদিংমক্তা মীয়ামগী পেন্দবগী পেন্দবা ঙাক্তনা পুমকোয় কোয়শিন্দুনা লৈরিবা অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবগী মহুত্তা মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা থবক তৌবনা খুমাঙ চাওশিনবা কয়া ইমাংদা শং-শং উহনবীরি। আই দি পি কয়ানা মশা মশাগী য়ূমশিংদা হঞ্জিলহনবগী ৱানা তুংদা থল্লগা সঙাই ফেষ্টিবেলনা মাঙদা থারকপা, লম্বী চৎপা মতমদা নেশনল হায়ৱেদা মীতৈদা অতম্নমা অথিংবা পীবা অসি মতৌ করম্না ৱারোইশিন থমগনি হায়বসিনা তুংদা থৈদোক্লি। ষ্ট্রিট ভেন্দর মশীং হেনগৎলক্লিবা অসি ময়ূমদা কেনা মৌনা লৈজগদৌবী মৌনহা কয়ানা শেল থুমগী অৱাবা মায়োক্লরকপদগী ওইরকপনি। ষ্ট্রিট ভেন্দর মশীং হেনগৎলক্লিবা অসি লায়রবা, শেল-থুমগী অৱাবা মায়োক্লবা হেনগৎলক্লে হায়বনি হায়বসি ঐখোয়গী মীয়ামগী মীহুৎ অমদি পি আর লৈঙাক্কী গভর্ণর ওফ কাউন্সিলগী থৌদাং লৈবা খুদিংমক্লা খঙজিনবীরগা আই দি পি পূম্নমক মীতৈ হায়বা, কুকি হায়বা থিদনা মশা মশাগী য়ূম্ফমদা লৈহনবীয়ু। মসিদা নত্তনা মপাঙ্গল কনবা ঐখোয়গী ইন্দিয়াগী সিটিজন মীতৈনা ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইরিবা মণিপুরগী মফম অমদা নৎত্রগা অমদা চৎপা মতমদা করিগী অথিংবা পীরিবা পূম্নমক ইন্দিয়ানা থেংনবা ঙমদবগী মওংদা মীতৈবু কৈবুল চন্দুনা থম্বগী মওংদা চহী অনীগা থা তরুক হৌখ্রে।

লৈরিবা লৌ-ইঞ্চোলগা লৈরিবা মীগা পুথোরক্লিবা পোথোক চাথোক্লা চান্নরক্ত্রে। লৌফম য়ূম্ফদি অকক্লবনি, মীশিংদি নোংম-নোংমগী হেনগৎলকই। মসিনা মরম ওইদুনা মণিপুর মীয়াম্না নোংমগী চংদবা য়াদ্রবা পোৎলম খুদিংমক মপান্দগী পুশিল্লক্ত্রবদি শীজিন্ননবা লৈতবা মণিপুর অমা ওইরিবা অসিমক মীয়ামগী মীহুৎ অমদি ব্যুরোক্রেসি পূম্নমক্লা মেকানিজম অমা পুথোকপগী তঙাইফদবা ওইরে। মতম অসিদা চহী অনী মখায় চূপ্পা চঙশিল্লক্লবা ঈরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা মীয়াম্না পেন্দবা, নুংঙাইতবা নোংম-নোংমগী হেনগৎলকই। মণিপুরদা খ্বাইদগী কন্না নারিবা লায়না অসি শেঞ্জা-থুমজানি। মীয়ামগী মীহুৎ অমদি পর্মিনেন্ট এগজিক্যুটিভ ওইরিবা পূম্নমক্লা ঐ ঐগী শিনফম অদুগী মগুন ঙাক্লা থবক তৌবা তঙাইফদে। চাওখৎপা, শান্তি লৈবা, শেল থুমগী ফীভম ফগৎহনবা, মহৈ লোয়শঙ কয়াদা, লায়েংশঙ কয়াদা, লৌউ-শিংউবা কয়াদা, শেমগৎ শাগৎপা কয়াদা ইশা ইশাগী প্রোফেস্নেল ইথিক্স অদু ঙাক্লা চৎপগী তঙাইফদবা লৈতবা নত্তে।

ঙসি ওইরিবা, থোক্লিবা ঈরাং কয়া অসিগী মথক্তা ৱাকৎ কয়া লাক্লিবা অসি মফম মতম চানা থবক তৌহৌদবগী য়াম্না চাউবা মরম অমনি। মণিপুর ষ্টেটকী মখাদা লৈবা লোয়শঙ কয়াগী শেঞ্জা থুমজা মফম মতম চানা য়েংশিনবীয়ু। লৈঙাক্কী লোয়শঙ কয়াদা মেন পৱার ৱাৎলিবা খুদিংমক শেঞ্জা থুমজা য়াওদনা মেনশিন্নবা হোৎনবীয়ু। চিন্দনা গোবিন্দগী মন্দির মমাঙদা হৌবা বৃন্দা দেবী/তুলসি মনা শাবা, তৌথোরকপা থবক্লা মদুগী ওন্ন-তৈনবা, চেনফম থোকপা মতিক ময়াই খুদিংমক শেলনা মেনশিনবগী থবক থাদোকসি। লৈঙাক্কী শিন্মী খুদিংমক্লা মীগী ফুরিৎখাও য়েংবা, অদুদি অদু পীয়ু, অদা পীয়ু ফোংনা হায়বা ঙম্বগী ৱাখল্লোন থাদোকপীয়ু। সিফাই ওইবশিংনা ইরৈবাক নরমদম ঙাক শেনবদা কোক থাদবীয়ু। লৈরক খুল্লক, শাগৈ-নাতে করিসু লৈতবা থবক থানাদা অকন অরিং শীংবা থাদোকপীয়ু। ঈরাং হৌবগী মমিংদা ৱাজাও ঙাঙবা, নুপী অঙাং, মহৈরোয়শিংদা খোন্দা অথীবা শীজিন্নবা থাদোকপীয়ু। মরম চাদনা ফূবা-চৈবা তৌবীগনু। করি তৌবদগী ঈহৌ লাকপনো হায়বদু খন্থবীদুনা লৈঙাক্কী থৌদাং লৈবশিংনা মখা থাবা ঙাকশেল্লিবশিংদা পাউতাক পীদুনা পীকপা চাউবনা তোঙাল্লগা তোলোপ চাবা ইন্দিয়াগী মীয়ামদগী খোমগৎখিবা টেক্সনা পীবা তোলোপনি। মীচম মীয়াম্না লৈবাক অসিগী মপুনি। মসি ঙাক্লা ঐগী-ঐগী মাংদা তারিবা থবক খুদিংমক ইথিক্স ঙাক্লা তৌবনা খুমাঙ চাওশিনবা ষ্টেট অমা ওইবা ঙমগনি হায়না পূম্নমক্কী মফমদা থমজগে। ●